# লৌমীশিংনা পোত্থোক হেনগৎহনবদা লৌউ শিংউবগী অহেনবা লৌশিং জ্ঞান চংইঃ লেটখোগিন হাউকিপ

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২ ঃ লৌমীশিংনা পোত্থোক হেনগৎনা পুথোক্নবগীদমক লৌউ শিংউবগী অহেনবা লৌশিং জ্ঞান লৈবা দরকার লৈ। অসিগুম্বা লৌশিং জ্ঞান অসি লৈরবা মতমদা লৌমীশিংগী ইনকম অসি শরুক অনী হেনগৎহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থল্লিবা পানদম অসি ফংবা ঙমগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এসিস্নেল চীফ সেক্রেটরি এগ্রিকলচর লেটখোগিন হাউকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা মণিপুর ষ্টেট এগ্রি ব্যুজিনেস কোন্সোর্টিয়মনা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচর মার্কেটিং (নিয়ম) জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম, প্রোসেসশিং অমসুং মার্কেটিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা লেটখোগিন হাউকিপনা হায়, গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরগী মতাংদা ত্রেনিং তৌরিবা অসি মপুং ওইনা হিরমশিং অদুদা খঙহৈরবশিংগা লৌমীশিংগগী মরক্তা ৱারী ৱাতায় শান্নদুনা লৌমীশিংনা খঙদবা কয়া অদু খঙহন্নবা পান্দমদা চংশিনবনি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৌমীশিংগা দিপার্টমেন্টকা, অখঙ অহৈশিংগা লৌমীশিংগা অমসুং দিপার্টমেন্টকা অখঙ অহৈশিংগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্নবা ৱাৎপা কয়া লৈরিবনি।

অমরোমদা তোঙান তোঙানবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম কয়াদা য়াওরুরবা মীওইশিংনা অতোপ্পা লৌমীশিংদা মখোয়না খঙলিবা কয়া অদু তাকপী তম্বীবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি।

মসি কদায়দনো অশোয়বা অমদি য়াওরে। মসি চুমথোক্নবা ষ্টেকহোল্ডরশিং পাউ ফাওনবা দরকার লৈ।

লৌমী হায়রগা এগ্রিকলচরগা মরি লৈনবা থবক তৌরিবশিং অসিখক্তমক নত্তে। হোর্টিকলচরগী থবক তৌরিবা, ঙা য়োক্লিবা, খোই লোইরিবা ময়াম অসিসু লৌমী চীংবনা হিরম পূম্নমক অসিগা মরী লৈনরিবা দিপার্টমেন্টশিং অসি পুনশিল্লগা থবক তৌবা তাই।

অমরোমদা আই এফ সি দিনা লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা থবক লৌখৎপা, মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা লৌবুকশিংদা ঈশিং পীনবা হোৎনবগী মথক্তা কাদানা লৌবুকশিংদা ঈশিংখোঙশিং শেমদুনা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনদ্রবদি লৌমীশিং চাউখৎপা ঙম্লোই। মরম অসিনা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক অসি পাউ ফাওনরগা থবক তৌবগী তঙাইফবা লৈ হায়খি।

লৌমীশিংনা লৌউ শিংউবগী তঙাইফদনা চংবা লৌশিং জ্ঞানশিং অদু খঙদ্রবদি মখোয়না ইনকম শরুক অনী হেনগৎহনবা অমসুং চাউখৎপা লৌমী অমা ওইবা ৱাগনি হায়খি।

থৌরম অদুগী থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা দাইরেক্টর এগ্রিকলচর পি ঐচ রাজেন্দ্রনা হায়, মণিপুরগী মহৈ মরোং থাবা য়াবা লমগী পাক চাউবা অসি দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা ইন্সটিট্যুট অমমগী তোঙান তোঙান্না দাটা পীবগী মহুত্তা পুন্না পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইবা অশেংবা দাটা অমা মীয়ামদা ফংহনবা মতম ওইরে।

হৌজিক মণিপুরদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা চুজাক থাদুনা মদুদগী পোত্থাক পুথোক্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২০০ গী প্রোজেক্ট অমা মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদগী লৌনবগা গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎপা হৌরে।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়ারিবমখৈ লৌমীশিংনা পোত্থোক পুথেকপা মতমদা মগুন লৈবা পোত্থোক পুথোক্নবা হোৎনহন্নিংই। লৌমীশিংনা মহৈ মরোং লোক্লবা মতুংদা নিংথিনা অমোৎ অকায় য়াওহন্দনা অমসুং কংনা ফৌদোক্তুনা নিংথিনা লিবা তঙাইফদে হায়খি।

লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসি ভেল্যু এদিসন তৌদুনা মপান লমদা থাদোকপা ঙম্লবদি মসিনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন অসি শরুক অনী হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়খি।

লমদম অসিদা লৌমীশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেমগী মখাদা থবক পায়খৎপা মতমদা লৌমীশিংনা এক্সপার্টশিংনা তান্নবা দরকার লৈ। অখঙ অহৈশিংগা তান্নদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই হায়খি।

থৌরম অদুদা নিয়ম, জয়পুরগী দিপ্যুটি দাইরেক্টর (স্কিল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন) ডা. এস আর সিংহ অমসুং মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি ব্যুজিনেস কোন্সোরটিয়মগী প্রোজেক্ট কো ওর্দিনেটর মহেন্দ্র সিংহ খাইদেমসু শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## মহৈরোইশিংগী য়েংলগা এম য়ুগী খোঙজং হন্দোকপীয়ু

তাবিদুনা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা থেংলবসু থেংনা মীয়াম্না মরাল লৈরে হায়রিবা ভি সি পান্দেবু থা অমা লিভ পীথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুত্তা নিয়মগী মতুংইন্না ইন চার্জ ভি সি অমা হাপ্পবা ওর্দর থোক্লককপা অসিগীদমক থাগৎলি।

মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি চাম্মদা চাম্মমক নৎত্রবসু অয়াম্বা দিমান্দ অসি পীবিরবনিনা য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা ওজা অমসুং মহৈরোই কম্ম্যুনিতিনা চত্থরম্বা খোঙজং অসি হন্দোকপীয়ু হায়না আপীল তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লৈরিবা ফিভম অসিদা মহৈরোইশিংগী একাদমীক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা থোকহন্দনবা অমসুং এম য়ুগী ৱাথোক থিজিনগদৌরিবা অসিদা অয়েৎ অপন পীবিদনবা আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱাথোক অসিগীদমক মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতিনা থিজিন্দুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনমিন্নসি। গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক অমসুং অচুম্বগীদমক লেপ্লি হায়খি।

তৌবতবু ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি নত্তবনিনা অমসুং ঐখোয়না শেমজবা আইন্না তৌনিংবা তৌবা য়াদবনা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিগী এক্ট অমসুং লোগী মতুংইন্না থবক লৌখৎপা ওইবনা মদুগী প্রোসিদ্যুর অদু লাপসেস লৈতনবা পূম্নমক আইনগী মখাদা লৈবা সিতিজেন ওইবনা আইনবু ইকাই খুম্নবা উৎলগা পাল্লিবা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

মহৈরোইশিংগী তুংগী জেনরেসন মাঙবা য়াবগী অকিবা লৈবনা গভর্ণমেন্টতসু পাখৎপা লৈরিবনি। মদুমক্না গভর্ণমেন্টনা তুমদা চাদনা তক্তুনা লৈরি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী শক্তিগী ৱাংমদা লৈখিবদগী মতম চংবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী শক্তিগী মনুংদা তৌবা ওইরবদি সাসন হেক পায়রকপদগী হৌখিবা থা ১৫ অসি মণিপুরদা বন্দ ব্লোকেদ নুমিৎ নিনি শুনা তৌখিদে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না শাক্লিনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক অসামদা এন আর সিগী লিষ্ট ফোঙদোকখিবা অসিগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি গভর্ণমেন্টনা কুপ্না শেন্নদুনা লৈ। এন আর সিগী লিষ্ট ফোঙদ্রিঙৈদগী হৌরগা গভর্ণমেন্টনা মীকুপ নাহুম শিংনা থবক লৌখৎলগা লাক্লি।

জিরিবামদা নত্তনা মাওদা ফাওবা ষ্টেট ফোর্সকী অহেনবা মীওইশিং থাজিন্দুনা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

ফিভম অসিগী য়েংলগা গভর্ণমেন্টনা কম্মিতি অনিখক শেম্লে।কম্মিতি অসিগী মনুংদা অমনা ষ্টেট লেভেল মোনিটরিং কম্মিতিনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিতিনি।

ষ্টেট লেভেল মোনিটরিং কম্মিতি অসি স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম)না চেয়ারমেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অমসুং এস পিশিংনা মেম্বর ওইগনি। লোয়ননা কম্মিতি অসিনা খুদক্তগী মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীওইশিং অসি চেক্কিং অমসুং ভেরিফিকেসন তৌবা হৌনবা খঙহনখ্রে। কম্মিতি অসিনা দরকার লৈরকপা মতমদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংসু মসিগী প্রোসিদিংশিংদা শরুক য়াহনবগী অয়াবা পীরি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিতি অসিদনা মরী লৈনবা দি সিশিংনা চেয়ারমেন, দিষ্ট্রিক্টশিংগী এস পিশিং, এস দি ওশিং, এস দি পিওশিং, এস দি সিশিং অমসুং ও সিশিংনা মেম্বর ওইগনি। কম্মিতি অসিনসু দরকার লৈরবদি খুদক্তগী মীতোপ চঙশিল্লকপশিং চেক তৌবা অমসুং ভেরিফিকেসনগী থবক চত্থনবা খঙহনখি। কম্মিতি অসিনসু সিভিল সোসাইতিগী মীওইশিং, ক্লব অমসুং লোকেল ইলেক্তেদ মেম্বরশিং দরকার লৈরবদি প্রোসিদিংশিংদা য়াওহন্নবগী অয়াবা পীরি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায় করিগুম্বা দরকার লৈরবদি খুঙ্গংশিংদা মীকোক থিংবগী থবক ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা মীতোপ খঙদোক্নবা খোঙথাং লৌরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক গভর্ণমেন্টনা লম্বী অমসুং মফম কয়াদা চেকপোইন্টশিং হাংদোকখিবা অসিদগী লৈখা লম্বীদা লাকপা খুদোংচারোইদবা লৈবনা ফ্লাইটতা লাকপা য়াওরকপদগী ইম্ফাল এয়ারপোর্টতসু মণিপুর পুলিসকী অখন্নবা চেক পোইন্ট অমা হাংদোক্তুনা মীতোপশিং চেক তৌবা হৌরে হায়খি।

মসিগা লোয়ননা মিজোৱামলোমদগী মীওইশিং লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগা পাউ ফাওনদুনা মফম অদুদা চেক তৌবসু হৌরে হায়খি।

পাউমীশিংনা হৌজিক জিরিবামদা মণিপুর পিপল বিল, ২০১৮ কী বেজ ইয়ার অসি ইং ১৯৫১ ওইবা অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ইং ১৯৫১গী বেজ ইয়ার অসি হান্নদগী তৌদুনা লাকপনি। গভর্ণমেন্টকী ওইনদি প্রজাশিংগী অপাম্বগী মতুং ইন্না লেপখিবা ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না থবক তৌগনি। সেন্টরনা করি হায়রকপা হায়বদু য়েংবা তাবনি। গভর্ণমেন্টকী ওইনদি ফিরেপ অসি হোংদোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়খি।

## মণিপুর কন্নবা অমসুং য়ুনিভর্সিটি কন্নবা ৱাকৎ...

কম্ম্যুনিতি হোলদগী হৌরগা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা য়াওরিবা মীয়ামসু মুটা, মুসু অমসুং মুসানা হৌজিক চত্থরিবা খুত্থাং চরা হেনবা অসিদা শরুক য়াগনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না মমা মপা নুংশিদবদি য়াই অদুবু পোক্নফম লমদমবু নুংশিদবদি কনাসু য়াওরম্লোই। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স, মণিপুরগী পোলিটিক্স অসিদগী শোকচিনলক্লিবা মণিপুর অসি কন্নবা হোৎনদবা য়ারক্তবা মতম অদু য়ৌরে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি লমদম অসিগীদি মীওইবগী থোপকুম্বনি। এদুকেসন মাঙবা হায়বসি ব্রেনদা অশোক অপন নংহনবগুম্বনি। লৈরিবা ফিভম অসিদা গভর্ণমেন্টনা খুঙ্গং চৎসি চীং চৎসি হায়বগী মওংদা এম য়ুদা চৎলগা এম য়ু কনসি হায়না লাওবা মতম ওইরে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি খোঙজং অসি নুমিৎ ৬২–৬৩ রোম শুরক্লবা অসি ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্নবা মায়কৈদা চঙশিল্লকপা উদে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি অতোপ্পা ষ্টেটতা থোকপা ওইরবদি অসুম্না তৌরমগনি থাজদে। লোয়ননা অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিদগী ভি সি লৌথোকপগী ৱাফম তারে।

মুসু, মুটা অমসুং মুসানা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ভি সি অসি লৌথোকখো অমসুং মসিগী থিজিল্লিবা ইনক্বারি কম্মিতি অসি থবক্তগী পোত্থারবা জজ অমনা লুচিংবা মনিং তম্বা কম্মিতি অমনা থিগৎহল্লু হায়বনি। অদুবু মসি হৌজিক থবক ওইনা ওন্থোকপগী মমি তাদে হায়খি।

হয়েংগী খোঙচৎ অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং, সিভিল সোসাইতিগী মীহুৎশিং অমসুং মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াবিয়ু হায়না আপীল তৌখি।

ৱাথোক অসিদা কনাগুম্বা খরনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা এম য়ু কন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসিবু পোলিটিকেলাইজ তৌরে হায়না মরাল শিরি। অদুবু বি জে পিগী অকনবা ৱার্কর অমা এম য়ুদা ভি সি ওইনা হাপ্পকপা অসিদি এম য়ুদা পোলিটিকেলাইজ তৌনবা হোৎনবা নত্তব্রা হংখি।

ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা এম য়ুদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজ ৮৬ অসিগী মহৈরোইশিং অসিদা শাফু অমা ফংলি। গভর্ণমেন্ট অসিনা মহৈরোই খুন্নাইগী মাঙগদৌরে হায়না মখৌ পোঙনা লাওবা ঙমদবা অসি করিগীনো হংখি।

মহাক্না হায় সেন্টরগী লুচিংবশিংনা পান্দেবু এম য়ুদগী লৌথোক্লোই হায়না ফোঙদোকপা লৈ হায়না তাই হায়খি। হৌজিক ভি সি পান্দেবু লৌথোক্তনবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংগী ইহৌবু নাথৈনবা হোৎনদুনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## কিরেন রিজিজুগী ইফিজি মৈ থাখ্রে

এসোসিয়েসনশিংগা পুন্না তোঙান–তোঙানবা খোঙজংশিং অমদি পব্লিক কনভেন্সন পাঙথোকখিবা লৈখ্রবনি।

ইশু অসিগী মতাংদা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রবা তুং সেন্টরনা থাজবা পীরকপদগী সর্ভে টিম অমা মমাঙ থা জুলাই ২৪দা লাক্তুনা য়েংশিনখি। মদুসু ওইথোকপা য়াবা চে–চাং অমদি খূৎলাইনচিংবশিংসু লোয়নরক্তবনা লমদম অদুগী খোইশাওনরবা মীওইশিং, সিএসওশিংদা অশেংবা অচুম্বা অদু ফোঙদোকপা ঙমদনা হনখিবনি।

নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদা লৈবা মণিপুরবু হোম মিনিষ্টরনা থওইউশিৎপিদবনি। বোর্দর লমদম অমা ওইবগী চপ চাবা মফমশিং ষ্টেট অসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা উত্থোকপা ঙমদবনি। পার্লিয়ামেন্ট হাউতা ফম্লিবা মেম্বরশিংদসু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবসিগী মায়োক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখা তানা থিংজনবগী খোঙজং চত্থরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

এআইএসএফকী ষ্টেট সেক্রেটরী কেঐচ রামেশ্বরনা হায়, হিরমসিগী মতাংদা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনমিন্নখ্রে। সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মতম মতমগী ওইনা পুনিংবা মায়কৈদা মীয়াম্বু পুদুনা চৎপা য়ানিংদে। লূপ অসিনসু মখা তারকপদা নন দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং পুথোকন্নবগী মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি।

## মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি ঃ য়ুসিএম

ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগা মরক্তপ শান্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী ঙমখৈ শরুক অসি পীথোকখিবগা মায়োক্তা মীয়াম্না হৌবা ইহৌনি। মসিবু নাথৈদুনা পার্লিয়ামেন্টতা লান্না পাউতমশিন্দুনা ইশু অসিবু নাথৈনবা হোৎনবনি হায়না লৌই।

হন্দক লাক্লম্বা সর্ভেয়ার জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, জোইন্ট সেক্রেটরী (হোম) অমদি জোইন্ট সেক্রেটরী এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী টিমদা য়ুসিএমগী দেলিগেসননা ময়েক শেংনা হায়খিবনি। অদুবু মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদনা থা অমা লৈরগা কুপ্না অমুক য়েংশিন্নবা তৌগনি হায়বগী থাজবা খুঞ্জাশিং, সিএসও অমদি পোলিটিকেল পার্টি লুচিংবশিংদা পীরম্বনি। টিম অদুনা চৎলমদাইদা মেদিয়াগী মাঙদা বোদর পিল্লরগী মফম হোংবা লৈতে। অশেংবা মফমদা লৈ হায়রম্বা অদুনা ঙসিদি মীয়ামদা খোইশাওনবা অমগা লোয়ননা পেন্নদনা লৈরিবনি।

চৈরক অসিদা ষ্টেট মিনিষ্টর হোম কিরেন রিজিজুনা রাজ্য সভাদা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী মরক্তগা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈতে হায়খিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মরম অসিনা ষ্টেট সরকারনসু ভারত সরকারগী সর্ভেয়রনা মীয়ামদা হায়রম্বা ৱাফম অদু থবক্তগা ওন্থোক্লবা হোৎনদুনা থা অমগী মতুংদা শোইদনা লাকহন্দুনা চয়েৎনরিবশিং অসি লোইশিনহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নুপামচা ১ ফেক ইনকাউন্টরদা হাৎখিবগী মায়োক্তা সিবিআইনা...

লৈবা লৌবুক অমদা তমথিনা ফুবগা লোয়ননা খূৎ থোক্নবনি হায়দুনা হাত্তোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সিবিআইনা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌকৎলক্লিবসি মমাঙ থাগী ১৪দা শুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেমখিবা জষ্টিস সন্টোস হেগ্রে কম্মিসন ওফ ইনক্বারিনা থৌদোকসিগী মতাংদা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কেস অসিগী রেকোর্দশিং য়েংলগা এফআইআর কেস অমা লৌখৎনবা অমসুং মসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক মপুং ফানা চত্থনবা পীখিবা দিরেক্সনদগী লৌখৎখিবনি।

লৈখিদ্রবা এমদি অজাদ খানগী অপোকপী এমদি ৱাহিদ অলিনা জষ্টিস সন্টোস হেগ্রে কম্মিসনদা পীখিবা জবানদসু সিক্যুরিটি পার্সোনেল ৩০ মুক লাক্লগা মচানুপাবু ইমুংদগী চিংথোক্লগা পুথোকখিবনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবনি।

লোয়ননা কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি টিম অসিনা মচানুপাবু মতমদুদা আইননা য়াদবা লালহৌলূপ অমনি হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লাউথোক্ত্রিবা পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট (পল্ফ)কী মেম্বরনি হায়দুনা চার্জ তৌখিবনি। কেস অসি সিবিআইনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখিবনি হায়রি।

অমরোমদা মমাঙ থাগী ১৪দা শুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা দিরেক্সন অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০১০গী মার্চ ১৬তা ফেক ইনকাউন্টরদা খুম্বোংময়ুম ওর্মোঞ্জিৎ কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদসু কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

কেস অসিগী একুইজশিংদনা হবিলদার লাইশ্রম প্রেমকুমার, এল রোমেস অমদি অতোপ্পা সিক্যুরিটি পার্সোনেল অহুম য়াওরি হায়রি।

## হিদগী ওন্থবদা লৈশাবী অমা লৈখিদ্রে

মহাক ঙসি মমান্নবা অমগী বার্থদেগী থৌরমগা মরী লৈননা চুরাচান্দপুরগী সালেম ভেংদা লৈবা মচেকী মনাক্তা লৈরকপদগী লোক্তাক পাৎতা মমান্নবী অমা অমসুং মমান্নবা অনীগা লোয়ননা মখোয় মরী হি তোংদুনা কোইবা লাকখিবনি।

মখোয় মরিনা হি তোংমিন্নদুনা সেন্দ্রা তুরিষ্ট হোমদগী লোক্তাক পাৎলোমদা হোন্দোরকপদা খঙহৌদনা মহাক মখূৎনা ঈশিং লান্নুবদা হিদগী ওন্থখিবনি হায়রি।

খুদক্তা মনাক নক্না লৈরম্বা মীওইশিংদা পাউ পীদুনা মহাকপু ঈশিং মনুংদা থিবদা ফংবদগী পন্থদনা কম্ম্যুনিতি হেল্থ সেন্টর, মোইরাংদা লায়কন্ননবা পুখৎলকপদা ডাক্তরনা শিরগা পুরক্লে হায়রকখি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা অন–নেচরেল দেথ (য়ুদি) কেস অমা লৌখৎখ্রে। লৈখিদ্রবীগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসন তৌনবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## ট্রক লোক্তা ওন্থবদা মীওই অনী শিরে

টিম অমা থৌদোক থোকফমদা লাক্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাংশিং লৌখৎনবা থবক পায়খৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অনীসি খোংজোমদগী থৌদাম রঞ্জিৎ কৌবা অমগা মহাক্কী মচানুপা থোকপা থৱান কৌবা মীওই অমগা ওইগনি থাজনরি।

ট্রক অসিনা খুরাই নান্দেবম লৈকাইদগী এম ইন্দিরা কৌবী মীওই অমগীনি হায়রি।

## হাউসপু মিসলিট তৌবনি ঃ সিপিআই

বোর্দর পিল্লর ৮১ হান্নগী য়ুংলম্বা মফমদগী হোংদোক হোংজিন তৌবা লৈতে। সবসিদরি পিল্লরদি ম্যান্মার ওথোরিটিগা য়ান্নরগা নৌনা য়ুংবা লৈ হায়না অমুকসু ফোঙদোক্লমখি। অসিগুম্বা মরৈ অনী লোংবা ওফিসিয়েলগী ৱাঙাংবু মীয়াম্না নিংদা তৌখি অমদি তৌরি। ঙরাংমক কিরেন রিজিজুনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখিবা অরানবা ৱাফম অদু ভারত সরকারনা ম্যান্মারবু মোইথেম তৌবা ৱাঙাংনি। মণিপুর মীয়াম্বু করেম্নবনি। মণিপুরগী লম খুদোল তৌথোকখিনবা অতম্ননা চঙশিনবা ফত্তবা থৌশিলনি হায়না লৌই। অদুনা মীয়ামগী অকনবা ষ্ট্রগল মখা তানা চঙশিনবা তঙাইফদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## এমএলএ ঙমথং হাওকিপকী...

অদুবু রেইদ অদুদি মফম অনীসিদা তৌফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোক্তুনা চত্থখি হায়রি। অদুবু ঙসিগী রেইদ অদুদা এনআইএনা মীফা–মীপুন তৌবা অমদি করি করম্বা পোৎলমশিং শীজ তৌরবগে হায়বদুদি ওফিসিয়েল ওইনা ফঙবা ঙমখিদ্রি।

# খাঙবোক্তা দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিংগী গেট টুগেদর পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ২ ঃ

খাঙবোক্তা লৈবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবা খুন্দোংবম দিসেননা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব (য়ুৱাইসি) খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাইনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী কেম্পসতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিংগী অপুনবা গেট টুগেটরগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা দিফরেন্টলি এবলশিংদা অচম্বা খুদোলশিং তমদুনা পূক্নিং থৌগৎলক্লি।

থৌরম অদুদা টিঐচ জদুমনি সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর টিঐচ রাজমোহন সিংহনা থৌরম মপু অমদি খাঙবোক পার্ট ১, ২, ৩ জিপিগী প্রধানশিং মথং শীৎনা এন ওংবী মালা দেবী, এস ওপেন্দ্রা সিংহ, এম লাইসনু দেবী, খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ য়াইস্কুল, কেএম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মেনেজিং দাইরেক্টর কেঐচ মেঞ্জর, য়ানাকি পিছ একাদেমি খাঙবোক্কী প্রিন্সিপাল কেঐচ ইবোমচা সিংহ, দি ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর মেম্বর এস গোপাল সিংহ, দি ইষ্টর্ন ষ্টার হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোককী প্রিন্সিপাল কেঐচ মঙ্গিজাও অমসুং ঙসিগী থৌরম অসিবু স্পোন্সর তৌখিবা কেঐচ দিনেসনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী নুঙগী ৱারোল পীরদুনা কেঐচ দিনেসনা হায়, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদদি দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিংগী গভর্ণমেন্টনা পীবা খুদোংচাবশিং অসি শুপ্নতগী স্কিম ৬–৭ খক্তমক লৈরম্মী। অদুবু ঙসিগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লাকপদগী হৌজিক স্কিম ৪৮দা খুদোংচাবশিং পীনবা হেনগৎখ্রে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অদু পুন্না ফঙমিন্ননবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিং অসি পুন্না পুনশিন্নদুনা শকখঙ মায়খঙনদুনা অপুনবা অমা শাগৎনবা হোৎনবা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিসএবলগী লমদা থবক তৌরিবা তোঙান–তোঙানবা এনজিও কয়া লৈরবসু মখোয়না পুকচেল শেংনা থবক তৌবিদবনা অশেংবা ফঙফম থোকপা ফঙদনা লৈরি হায়না নুংঙাইতবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা অদুগুম্বা দিসএবলশিংগী ফঙফম থোকপশিং অদু মপুং ফানা ফঙবা ঙম্ননবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এসোসিয়েসন অমসু শেম্নবা হোৎনবা অমদি এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেন শানবা হোৎনরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোই কয়ানা দিফরেন্টলি এবল ওইরবা দিনেসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিংগীদমক খল্লিবা ৱাখল্লোলবু থাগৎপগা লোয়ননা মহাক্না তৌরকপা থবক থৌরম পূম্নমক্তা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

টিঐচ জদুমনিনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরগী শোত্থরবশিংগী তেঙবাংদা য়াওরিবা তোঙান–তোঙানবা স্কিমশিং মীয়ামদা পাউদম্বগা লোয়ননা দিফরেন্টলি এবল ওইরবশিংনা মখোয়গী ফঙফম থোকপশিং ফঙহনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

## এন দি এ গভর্ণমেন্টনা রাফেল এয়ারকক্রাফ্ট লৈবদা লুপা ক্রোর ৪১,২০৫ মাঙহন্নবা হোৎনরেঃ কংগ্রেস

হৌখিবা চহী ইং ২০১২গী দিসেম্বর ১২ দা ওপন ইন্টরনেসনেল বিট হাংদোক্তুনা রাফেল এয়ারক্রাফ্ট ৩৬ লৈনবা দসাউল্ট এভিয়েসন কম্পনিদগী লৈনবা হোৎনরম্বনি।

ইং ২০১৪ দা বি জে পিগী সাসন লাকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০১৫গী এপ্রিল ১০ দা ফ্রাঞ্চতা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুংদা ফ্রাঞ্চতগী রাফেল এয়ারক্রাফ্ট ৩৬ লৈরগনি হায়না লাওথোকখি।

লৈগদৌরিবা এয়ারক্রাফ্ট অমমমগী মমল কয়ানো হায়বা হায়দোকখিদে। অদুবু চহি অহুম হেনবগী মতম অসিদা এয়ারক্রাফ্ট ৩৬ অসিগী মমল অসি লুপা ক্রোর ৬০,১৪৬ নি হায়বা খঙলকখি। মসিসু দাসাউল্ট এভিয়েসনগী ৱেবসাইততগী খঙলকখিবনি।

হায়রিবা লুপা ক্রোর ৬০,১৪৫ অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩০ দি ওফসেট কন্ত্রেক্টকী মমল পীনবনি হায়নরি। মসিগী ওফসেট কন্ত্রেক্ট অসি কনানা লৌবগে হায়বা থিগৎলুবদা রিলায়েন্স দিফেন্সনা পায়রমখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা রাফেল এয়ারক্রাফ্ট ৩৬ লৈরগনি হায়না লাওথোকখিবা অদু মশা মথন্তনা হায়বনি। দিফেন্সকী ওইবা পোৎলমশিং লৈবদা দিফেন্স প্রোক্যুরমেন্ট প্রোসিদ্যুর ঙাক্না চৎকদবা অদু চৎখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা কেবিনেট কম্মিতি ওন সেক্যুরিতিদগী হান্না ক্লিয়ারেন্স লৌফম থোকপা অদু লৌখিদে। পোৎলমশিং অদু লৈবদা কন্ট্রেক্ট নেগোসিয়েসন কম্মিতি অমসুং প্রাইস নেগোসিয়েসন কম্মিতিনচিংবা পাস তৌরবা মতুংদা কেবিনেট কম্মিতি ওন সেক্যুরিতিদা অমুক হন্না পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা নিংথিনা লৈগদবা রাফেল এয়ারক্রাফ্ট অদু ঙাকফম থোকপা চৎন কাঙলোন ঙাকখিদে হায়খি।

দেবব্রত্তনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক মথন্তনা লৈরগনি হায়না হেক্তা লৈবা য়াবা নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী সেক্যুরিতি অমসুং ইন্টরেষ্ট ঙাক্তুনা রাফেল এয়ারক্রাফ্ট মমল হেন্না লৈনবা হোৎনরিবা অসিমক দিফেন্সকী অচৌবা স্কাম অমনি হায়খি।

মসিগী ওফসেট কন্ত্রেক্ট অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শকখঙলবা পব্লিক সেক্টর অন্দরতেক্কিং ওইরিবা হিন্দুষ্টান এরোনোটিক লিমিটেদ (হাল)দা পীবগী মহুত্তা লন্নাই কম্পনি ওইরিবা অমসুং এয়ারক্রাফ্টকী আইদিয়া অমত্তা লৈত্রিবা রিলায়েন্স দিফেন্সতা পীথোকখিবা অসিমক চিংননিঙাই ওইবা অমনি।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চঙশিনলিবা খোঙথাং অসি ঙক্তবা ঙমদে। পোৎ লৈবগী মমল ৱাংখৎপা অসি শাবদা চঙবা পোৎচৈগী মমল তাংখৎলকপা অমসুং শাবগী লেবরগী খুৎশুমন ৱাংখৎলকপা অমসুং তেক্স হেনগৎলকপনা ওইবা য়াই। অদুবু হৌখিবা ইং ২০১২ দা ফ্রাঞ্চতা লৈবিরা পোৎচৈগী মমল অদুদগী চহি ৩–৪ অসিদা হেনগৎলক্লিবা অসি থিগৎলুবদা চাদ ১০ য়ৌদে।

হিরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এয়ারক্রাফ্ট অমমমগী মমল কয়ানো হায়বা ফোঙদোক্তনা লৈরি। লৈবাক অসিগী অচৌবা এসেট অমা ওইগদৌরিবা পোৎলম অসি লৈবদা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী শেনফমদগী লুপা ক্রোর ৪১,২০৫ মাঙহনবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

## হায়কোর্টনা লেফ. কর্নেল ধরমভিরদা ৱাফম অমত্তা...

কেস অসিগী নম্বরনা দব্লীয়ুপি (ক্রিমিনেল) ১১ ওফ ২০১৮ নি। পিটিস্নর রঞ্জুনা কেস অসি হায়কোর্ট অসিদা জুলাই ৫, ২০১৮দা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্না কোর্টসিদা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদনা থৌদোক্তুগা মরী লৈননা সিটি পুলিস ষ্টেসনদসু কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌবদগী পুলিসনসু কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবনা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (হোম), য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স, থ্রি–কোরগী জিওসি, কর্নেল রঞ্জন, লেফটিনেন্ট কর্নেল নন্দা, মেজর রাথোর অমসুং সিটি পুসিল ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জনি।

কোর্টনা কেস অসি এদমিট তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা ফাদুনা পুখ্রে হায়রিবা লেফটিন্টে কর্নেল ধরমভির সিংহ মশা য়াওনা মহাকপু ফাখিবনি হায়বা ওফিসারশিং জুলাই ১১, ২০১৮দা লাক্লবা হায়বদগী কোর্টসিদা লাকখ্রবনি। নুমিৎসিগী মতুংদা কেস অসি অহানবদা সিঙ্গল বেঞ্চতা লিষ্ট তৌরম্লবসু জুলাই ১১, ১৩ অমসুং ২০দদি মথং শীৎনা দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী হিয়ারিংশিং চত্থরক্খিবনি।

অদুবু মমাঙ থা জুলাইগী ২০দা কেস অসি কোর্টসিদা লিষ্ট তৌখিবদদি কেস অসিগী ভিক্তিম ওইরিবা পিটিস্নরগী মপুরোইবা লেফটিন্টে কর্নেল ধরমভির সিংহগী মায়কৈদগী কোর্টসিদা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুগা নুমিৎসিদা লেপখিবগী মতুং ইন্না কেস অসি ঙরাং চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম শুধাকর অমসুং জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর থ্রিদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

ঙরাং কেস অসি কোর্টনা লৌখৎপদা লেফটিন্টে কর্নেল ধরমভির মশামক অমসুং মহাক্কী কাউন্সেল এন ইবোতোম্বী, সেনিয়র এদভোকেট অনীমক কোর্টতা লাকখিদে। অদুবু কেসসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী কোর্টতা লাকখিবা কেপ্টেন এমদি সুরভাজা অলিনা ফোঙদোকখিবদা লেফটিন্টে কর্নেল অসিনা মমাঙ থাগী ২০দা কোর্টসিদা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট অমদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা অরানবা সেরিয়স ওইবা এল্লিগেসনশিং তৌরে।

তৌরক্লিবা এল্লিগেসনশিং অসি হৌখিবা চহী ২০১০দা থোকখিবনি হায়বা থৌদোকশিংগা মরী লৈনননি হায়খি। মরম অসিনা লেফটিনেন্ট কর্নেল অসিনা তৌরক্লিবা এল্লিগেসনশিং অসিগী মায়োক্তা পাউখুম পীনবগী শেম শানবা মখা তাবা মতমশিং পীবিনবা হায়জখি।

ৱাফমশিং অসিগী মথক্তা কেপ্টেন এমদি মুরতাজা অলিনা কোর্টসিদা পন্দুন লৈরিবা কেসসিগী মতাংদা পাউচেনা ফোঙদোরকপসি আর্মিগী সর্ভিসপু অতম্না মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবনি। পাউচেদা ফোঙলক্লিবা ফোটোসি কোর্টকী প্রেমিজেস মনুংদা নম্বনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। থৌওংসিদি অর্মিবু লান্না উহন্নবা থৌওংনি হায়খি।

মহাক্কী ৱাফমশিংসি তারবা মতুংদা কোর্টনা লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমভির সিংহদা পেন্দিং লৈরিবা কেস অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা নাকোইননা নৎত্রগা হকথেংননা ফোঙদোক্তনবা খঙহনখি।

কেপ্টেন এমদি সুরতাজা অলিগী মায়কৈদগী এফিদেবিট অসিগী মপুং ফাবা পাউখুম পীবদা আর্মি হেদক্বাটরদগী রেকোর্দশিং য়েংবগী মথৌ তাবনা মসিগী মতিক চাবা মতম পীবিনবসু হায়জখি।

ৱাফমসিদগী কোর্টনা কেস অসি মথং থাগী ১৩দা মসিগী পাউখুম পীনবগীদমক লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। লোয়ননা কেসসিদা চেন্নবা ওফিসরশিংগী ফোটোশিং প্রেস অমসুং মেদিয়াদা ফোঙদনবা দিরেক্সনসু পীখি।

## ভিসি পান্দে ছুটি পীরগা ইনচার্জ হাপ্পা মীয়ামদা উৎ...

ঙসি ইনচার্জ পুরগনি হায়রিবা প্রো. দব্লীয়ু বিশ্বানাথনা মুটাগী ওফিসতা লাক্তুনা য়ুনিভর্সিটি কম্ম্যুনিতিনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা ইনচার্জগী ফম লৌরোই হায়বগী ৱাফম থমখি হায়না ফোঙদোকখি।

হিরমসিগী মতাংদা হেন্না ঙক্লিবদি ভিসি ইনচার্জগী ওর্দর থোক্লিবা মশানা মশাবু রেজিষ্টার ইনচার্জনি হায়জবা প্রো. এম শ্যামকিশ্বর অসি য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক হৌরকপদগী চীংদা মান্দা লোৎতুনা লৈবা মীওইনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঙসি ফাওবা চঙলক্ত্রবা মীওই অসিনা ওর্দর থোরকপসিবু ইকাইনিংঙাইহৈনি। প্রো. এম শ্যামকিশ্বরবু এপি পান্দেকনবগী ৱাখল্লোল থাদোক্তুনা মণিপুরগী মহৈরোইশিং কন্নবা লম্বীদা চঙশিনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস জিবনকুমারনা হায়, খোঙজং অসিবু নাথৈরগা গভর্ণমেন্টনা চঙশিনবা ৱাফমসি অচাকপা মৈনা ঘিহৈজিনবগা মান্নে। মরালনা মপোৎফারবা এপি পান্দেবু য়ুনিভর্সিটি রুলগী মতুং ইন্না ছুটি পীবা য়াদে। মণিপুরগী মহৈরোইশিংবুদি এপি পান্দেনা হেন্না লূম্না লৈ হায়বা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাংনি হায়না লৌই।